# জর্নেলিজমদগী এক্টর ওইনা মালেম শীনবা থুংনা ফাওরিবা BRAD PITT



I phoned my grandparents and my grandfather said 'We saw your movie.' 'Which one?' I said. He shouted 'Betty, what was the name of that movie I didn't like?'

- Brad Pitt

মথক্কী ৱাহৈ অসি Brad Pitt না মহাক্না এৱার্দ ফংলকপগী প্রেস ইন্টর্ভিয়ু অমদা নোক-নোক্তুনা হায়খিবনি। ৱাফম অসি তারিবা মীপুম খূদিংনা ৱা-ৱা লাউনা পেঞ্জনা নোকখি। অদুবু Brad তি য়াম্না সিরিয়স ওইনা এক্টর হায়বসিদি মীনা ফজদে পামদে হায়রবসু, মশা মশাগী ইমুং-মনুংনা ফজৈ হারকপদা পেঞ্জবনি, অদুবু ঐগী গ্রান্দ ফাদরনা হায়রক্লিবা ৱাফমসিদা ঐহাক থোইদোক্না নীংবা কায়বগী মহুৎতা ঐ ইশাবু হন্থনা য়েংজনবগী তাঞ্জা অমা পীরে হায়না খুল্লকপদা মহাক্কী ৱাদুবু তারিবা মীপুম খূদিংমক্না অমুক হন্না খুবাক খুনখি। ফীট ৫গা ইঞ্চি ১১ ৱাংবা, চুম্না হেক য়েংবদা মশা-মউ তাশিন খোমজিন্না নীংথিনা চুং-ফিরাল চানা ফবা, উবগা মীৎফম চোইথোকপা ঙমদবা, নুপা থোকপা এক্টরশিংগী মনুংদা Brad Pitt হায়বসিসু অমনি হায়বদা হেঞ্জিনবা হায়বা তারোই। Brad Pitt কী মপুং ফাবা মমিংদি William Braley Pitt হায়বনি অদুবু মহাক্না ময়াই থংবা মমিংগী শরুক অমগা অরোইবগা পুনশিল্লগা Brad Pitt হায়বা অসি মশানা থোঞ্জখিবনি। মিং অসি ঙসিগী ফিল্মগী ৱর্ল্ডদা তাদবা লৈরক্ত্রে। তশেংবদি মহাক Advertising গী আর্ট দিরেক্টর ওইবা পামজরকখি অদুবু মহৈ ওইনা মহাক্না তম্লকখিবদি University of Missouri দা জর্নেলিজম তম্লকখি। জর্নেলিজমগী অরোইবা চহীদগী হৌনা মহাক টি ভি দ্রামাদা খোঙ থাংজিল্লকপা হৌরকখি। মানা পামজনা তমজরুবা জর্নেলিজম অদু কোর্স মপুং ফানা লোইশিল্লবা মতুংদা জর্নেলিজমগী থবক অমত্তা তৌদনা ফিল্মলোমদা মপুং ফানা মায় ওনশিনখ্রে। এক্টর অমা ওইবতা নত্তনা মমিং লৈরবা ফিল্ম প্রদ্যুসর অমা ওইনা ইহান হান্না মহাক্কী ওস্কারগী একাউন্ট হাংবা ঙমখিবসি 12 Years a Slave (2013) হায়বা ফিল্ম অসিদনি। এক্টর অমা ওইনা অমুক ওস্কার বেষ্ট সপ্পোর্টিং এক্টর ফংখিবনা Once Upon a Time in Hollywood (2019) হায়রিবসিদনি। মালেমগী ফিল্ম ৱর্ল্ডদা মমিং থন্বা ঙল্লকখিবা মহাক্কী মাষ্টর রোলশিংদি- Thelma & Louise, Fight Club, Mr. & Mrs. Smith, অমদি Money ball হায়রিবা ফিল্ম অসিদনি।

William Bradley Pitt ১৯৬৩গী দিসেম্বর ১৮দা য়ুনাইটেদ ষ্টেট ওফ অমেরিকাগী ওক্লাহোমা হায়বা মফম অদুদা পোকখি। মচিন মনাও অহুমগী মনুংদা মহাক্না খ্বাইদগী অহলনি। ১৯৮৭তগী ফিল্মগী লমদা খোঙ থাংজিল্লকপা হৌরকখি। চহী অসিমক্তদা কেরেক্টর রোল নত্তবা পার্ট মচা-মচা খরদা টেলিভিজন দ্রামাদা এক্ট তৌবা হৌরকখি। Another World হায়বা টেলিভিজন ওপেরা অমদা ইহান হানবা ওইনা শরুক য়াবা হৌরকখি। Los Angelis তা ময়ুম হোংলক্লবা মতুংদগীনি মহাক্না সিষ্টেম অমা নাইনা এক্টিং ক্লাস য়াওবা হৌরকখি। মহাক্কী মপুং ফাবা রোল ফংখিবা অমদি মীয়াম্না শক খঙবা হৌরকখিবদি- Thelma and Louise (1991) হায়রিবা অসিদগীনি। ১৯৯৫দা ক্রাইম থিল্লর ফিল্ম Seven হায়বা ফিল্ম অসিদগীদি মহাক্কী মরমদা ক্রিটিকেল্লি acclaimed কয়া তৌবা হৌরকখি। মসিদগীনি মহাক্কী এৱার্দ একাউন্ট হাংদুনা তোঙান তোঙানবা অৱাংবা থাক্কী এৱার্দ কয়া ফংবা ঙমখিবসি। মহাক মশানা লিংখৎচখিবা প্লান বি ইন্টরটেনমেন্টকী মখাদা ইহান হান্না প্রদ্যুস তৌখিবা ফিল্মদি Troy (2004) হায়বসিনি। মসিগা লোয়ননা- The Departed (2006), 12 Years a Slave (2013) অসিমক একাদেমী এৱার্দ ফোর বেষ্ট পিকচর ফংখি। লোয়ননা The Tree of Life (2011), Moneyball (2011) অমদি The Big Short (2015) হায়রিবা ফিল্ম অহুমসিদসু বেষ্ট পিকচরগীদমক একাদেমী নোমিনেসন ফংখি। অমরোমদা মহাক্না কুম্বা ফিল্ম- Fight Club (1999) অসিদদি Brad অসি মীয়াম্না য়ারবা এক্টর অমা হায়বদু ওইবা ঙমখ্রে। কম্মর্সিএল ওইনা মায় পাকখিবা ফিল্মশিংগী মনুংদা- Ocean's 11 (2001), Troy (2004), Mr. & Mrs. Smith (2005) অমদি World War Z (2013) হায়বা অসিনি। মমিং লৈরবী হোল্লিৰুদ এক্ট্রেস জেন্নিফর এনিষ্টোনগা লুহোংলবা মতুং চহী ৪গী মতুংদা অমুক খাইনখি। মদুগী মতুংদা Angelina Jolie গা অমুক হন্না য়ুম্বানমিন্নরকখি। হৌজিক্তি মখোয় অনীসু খাইনদুনা লৈরে। অঙকপা হোল্লিৰুদ ষ্টারশিংগী পুন্সি য়ুম্বাল হায়বা অসিসু অঙকপা অমনি।

Brad Pitt, এক্টর-প্রদ্যুসর অমা ওইবতা নত্তনা পোলিটিকেল এক্টিভিষ্ট অমসু ওইরি অমদি হ্যুমেনিটরিয়ন চেরিটেবল ফাউন্দেসন লিংখৎতুনা খুন্নাইগী শোথরবা অমদি খুদোং থিরবা কয়াদা মতেং পীবগী লমদসু মহাক মাঙজিল থাবা মীশক অমা ওইরি। ২০০৪দা য়ু এস প্রসিদেন্সিএল ভোটতা মহাক মশামক্না চোংথোক্তুনা John Kerry গী ভোট খোমখি। অমুকসু ২০১২দা বরাক ওবামাগী সপ্পোর্ট তৌদুনা কেম্প্যেন কন্না চৎখি। গ্লোবেল গ্রীন য়ু এস এদা ২০০৮দা দোল্লর মিল্লিয়ন ৫ দোনেট তৌখি। ২০০৬তা Jolie-Pitt ফাউন্দেসন লিংখৎতুনা দোল্লর মিল্লিয়ন ৮.৫ দোনেট তৌখি। Brad Pitt প্রদ্যুসর অমা ওইনা য়াম্না চেকশিনবা অমদি ফিল্মগী ষ্টোরি খনবদা য়াম্না চেকশিনবা মীশক অমনি হায়না হায়নৈ। মহাক্না ফিল্ম প্রদ্যুস তৌরকপা হৌবদগী হৌনা হৌজিক ফাওবা অসিদা পুথোরক্লিবা ফিল্মশিং অসি বোক্স ওফিসতা হিট ওইবতা নত্তনা ফেষ্টিভেল কয়াদা অখন্নবা মনা-মথুম কয়া ফংবা ঙাক্তা ওইরি। হৌজিক ফাওবদা ফিল্ম ৩৪ মহাক্কী বেন্নর মখাদা পুথোকখ্রে। হৌখিবা কুমজা ২০২০দা ফিল্ম অনী "Irresistible" অমদি "Blonde" হায়বা অনী পুথোক্লবা পোষ্ট প্রদক্সন ওইনা লৈরি। কোভিদ-১৯গী লৈরিবা অথিংবা কয়া অসিনা করম্বা মতমদা মহাক্কী ফিল্মশিং অসি ঠিএটরদা য়ৌরক্কদগে হায়বদুমদি হায়বা ঙমদ্রি।

Brad Pitt কী য়াম্না তমজনিংঙাই ওইরিবা অমা হায়বা তারবদি মহাক মশা এক্টর অমা ওইনা হ্যুমেনিটরিয়ন সর্ভিসতা মহাক্কী ৱাখল মীৎয়েং থম্বগা লোয়ননা মীয়ামগী অৱা-অনা তারবা মতমদা মতেং চাউনা চাউনা পাংবা ঙম্বা অসিনি। মহাক্না তানশিঞ্জবা শেল-থুমগী শরুক অয়াম্বা মহাক্না শোথরবা কাঙলুপকী অমদি শোথরবা হৌরক্লিবা নহা কয়াগী পুন্সিরোল অমা শেমগৎলকপা মতমদা মহাক মায় ওনশিল্লি। অঙম্বা থৌদাং লৌদুনা মতেং পাংলি। শেল-থুমগী ৱা ঙাক নত্তনা, মহাক মশামক হীরম অদোমদা ইনভোল্ভ তৌশিন্দুনা মীয়ামগা লোয়ননা থবক তৌমিন্নবদা মহাক্কী চোকথবা লৈতবা অসিনি হায়না হায়বা তাই। মহাক্না ফিল্মদা সিরিয়স ওইনা ৱার্ক তৌবা অদুগুম্না মহাক্কী পুন্সিগী অতৈ শিন্থাদসু তশেংনা মায় ওনশিনবা মীশক অমা ওইনা লৈখি। Brad Pitt এক্টর অসি পোলিটিকেলগী ওইবা মায়কৈদা য়াম্না খুম্মাং চাউশিন্না মশামক হেক্তা চোংথোক্তুনা মীখলদা শরুক য়াবমক নৎত্রবসু, মীয়ামগী ওইনা য়াইফগদবা লৈরবদি কনাগুম্বশিংগীদমক চোংথোক্তুনা মাঙজিন থাবা মীশক অমা ওইবা ঙম্বা অসিমক মহাক্কী পেঞ্জবা হায়বদু ওইরি। মহাক্কী লোয়নবী ওইরমখিবী Angelina Jolie হায়রিবী অসিসু মহাক্না ৱাখল য়াম্না চান্নবী অমা ওইখি। মখোয় অনীগী মমিংদা লৈবা Jolie-Pitt ফাউন্দেসন হায়রিবা অসিনা লেঙদবা খুদম অমা ওইরিবা অসিনি। Jolie সু মহাক্না তাঞ্জবা শেনফমগী শরুক খরদি মীয়ামগীদমক কথোকপা মীশক্নি। মরুওইনা মহাক্না মালেমগী ওইনা লৈরিবা শোথরবা পু-পাং শুদ্রবা অঙাংশিংগীদমক অমদি ময়ুম-মকৈ লৈত্রবা রিফ্যুজিশিংগীদমক মীওইবগী মীনুংশি হায়বদু য়েংলগা মীয়ামগী মতেং য়াম্না পাংজবী অমা ওইখি। মমৈদদি মহাকসু ইন্টরনেসনলগী থাক্তা লৈবী এম্বাসেদর অমা ফাওবা ওইখিবীনি। অদুবু করম্বা ৱাখল্লোন অমদা মখোয় অনী য়ানরকফি-খদবনো হায়বা অদুমদি অরোনবা ওইনা থমখ্রগা, হৌজিক্তি মখোয় অনীগী পুন্সি অসি নকশিন্নবা য়াদ্রবা ৱাংমা ৱাংমগী পুন্সি হায়বদু তারে। য়ুম্বাল লম্বীদগী লাপথোক্লে হায়না লৌরগসু মখোয় অনীগী চান্নজবা ৱাখল্লোনগী থবক্তদি হেক হেক পুল্লি হায়বগী ৱাদি তাবা ফংই।

- *নানি*

# য়ুম্নক্তা নোংমৈ কাপশিন্দুনা অকি-অখঙ পীবগী থবক তৌবীগনু : মৈরা পায়বী

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৯ (ঐচ এন এস):** হৌজিক হৌজিক কাঙলুপ অনীগী মরক্তা থোক্লিবা লান অসিনা মরম ওইরগা মীপুম খূদিংমক মীপাইনরিবা অমদি লাংতক্লদুনা অৱাবা পুন্সি মহিং অমদা লেন্নরিবা চৈরক অসিদা থা অসিগী ১৭কী নুমীদাং পুং ১০.২০ লোম তারকপদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী তেন্থা তুৱাবনদা লৈবা মোইরাংথেম ইনাওতোনগী মচানুপা মোইরাংথেম বিজেনগী য়ুমদা শকখঙদবশিংনা নোংমৈ কাপশিনবীরম্লে। অসিগুম্বা নোংমৈ কাপশিন্দুনা অকি-অখঙ পীবগী থবক অসি মখা তানা থোকহনবীগনু হায়না তেন্থা অপূনবা মৈরা পায়বী অমদি য়ং ওর্গনাইজিং ক্লব, তেন্থা তুৱাবনগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।



তেন্থাদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবা মীফম অমদা তেন্থা অপূনবা মৈরা পায়বীগী সনাতোম্বী কৌবী নুপী অমনা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক মণিপুরদা থোক্লিবা কাঙলুপকী ঈরাং মরক অসিদা মীচমদা অসিগুম্বা অকি-তুজুংবা পীবগী থবক অসি মতুংদা অমুক হন্না তৌবীগনু। মোইরাংথেম বিজেন হায়রিবা নুপা অসি য়াম্না চম্না লৈবা মীওই অমনি। নোংমৈ কাপশিল্লম্বগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা খোংজোম পি এসতা ৱাকৎখ্রে। মরী লৈনবশিংনসু করিগীদমক মোইরাংথেম বিজেনগী য়ুমদা নোংমৈ কাপশিল্লম্বনো হায়বদু শেংদোকপীয়ু। লোয়ননা তেন্থা খুল মনুংদা নুমীদাং পুং ৯দগী অয়ুক পুং ৫ ফাওবা মীতোপ চঙবা খুদক্তগী অথিংবা থম্লে হায়খি।

লোয়ননা পাউগী মীফম অদুদা মহাক্না হায়খি, তঙাইফদনা তেন্থা খুলদা চঙলকপা তারবসু ক্লব অমদি মৈরা পায়বীগা হান্না পাউ ফাওদোক্ল বীয়ু। নৎত্রবদি মদুদা থোক্লকপা অফ-ফত্তগী তেকচাক খূদিংমক মশা-মশানা পুগদবনি। ৱারেপ অসি তেন্থা খুল অসি ঈংনা চিক্লা লৈবা ঙম্নবগীদমক খুল অসিগী মীয়ামগা খন্নরবা মতুংদা লৌখিবনি হায়খি।

# রিলিফ পেকেজগীদমক এপ্লাই তৌবীরকপা য়াগনি : এম আর বি

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৯ (ঐচএনএস) :** মে ৩দগী থোক্লকখিবা কাঙলুপকী ঈরাং অসিনা মরম ওইরগা অৱাবা তারবা লোন বোরোৱরশিংনা মণিপুর রুরেল বেঙ্ক (এম আর বি) দগী রিলিফ পেকেজগীদমক এপ্লাই তৌবা য়ারগনি হায়না এম আর বিগী জেনরেল মেনেজরগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

রিলিফ পেকেজ অসি হৌখিবা মে ৪গী মতুংদা থোক্লকপা থৌদোক ৱাথোকশিংগা মরী লৈননা য়েংলবা মতুংদা পীগনি। রিলিফ পেকেজ অসি লোন লৌরিবা মীওইশিংগী একাউন্ট অদু হৌখিবা মে ৩ ফাওবদা নন-পর্ফোর্মিং এসেট (এন পি এ) গী মনুং চন্দবা মীওইশিংনা এপ্লাই তৌবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা এন পি এগী মনুং চল্লম্লবদি রিলিফ পেকেজগীদমক এপ্লাই তৌবা য়ারোই। রিলিফ পেকেজ অসিগী ওইনা মোরাটোরিয়ম পেরেদ অসি থা ১২ ওইগনি। অসিগুম্লবা রিলিফ পেকেজ অসিগী খুদোংচাবা লৌবীনিংবা এম আর বিগী লোন বোরোৱরশিংনা মনাক নকপা এম আর বিগী ব্রাঞ্চশিংদা সেপ্টেম্বর ১০ ফাওবগী মমাঙদা লাক্তুনা তান্নবীয়ু। লোয়ননা রিলিফ পেকেজ অসিগী ইমপ্লিমেন্টেসন পিরিয়দনা চহীসিগী লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ২০ ফাওবা ওইগনি হায়রি।

# লান ঙাকপা, লম ঙাকপা অমদি লম কনবসু মৈতৈনি : পন্থৌ

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৯ (ঐচ এন এস):** লান ঙাকপসু মৈতৈনি, লম ঙাকপা অমদি লম কনবসু মৈতৈনি। অদুগা ইমা লৈবাক কন্নবগী থৱায় থাবসু মৈতৈনি হায়না নোংপোক চিংঙু থোঙ মৈতৈ লাইকোল থালো সিপি লোক সেলোই লংমাই চীংদা লৈরিবা লাইওইবা পন্থৌনা ফোঙদোকখ্রে।

পুৱারীগী তাঙ্কক কয়া নীংশিংবদা অথৌবশিংগী মোংফমগী কোলোইশিংদু মৈতৈ লৈপাকসিদা লৈরিবনি। মীরোল কয়া হৌখ্রবসু, মীরোল কয়া লাক্লবসু মৈতৈ লৈপাক কনবা হায়বসি ঐখোয়গী ইথৌ ওইসি। শিরবসু হিংলবসু লৈপাক ইরমদমদা হিংবদা পাঙথোক্তবা য়াদ্রবা ইথৌনি হায়না খঙমিন্নসি। মৈতৈ লৈপাক্তা থোক্লিবা লান অসি মঙলানগী ওইবদি নত্তে। মীওইবগী মীৎমাংদা উনা খঙনা হৌবা লান অমনি। নোংমৈনা কাপ্লগা হাৎপা, থাঙনা য়াল্লগা হাৎখিবা অদু মীওইবনি। মৈতৈ লৈপাক্তা থোক্লিবা লান অসি কুকিগা মৈতৈগা তৌনবা লাননি। লান হায়বসি শোয়দনা লোইরক্কনি। অফবা-ফত্তবা পুম্নমক্কী মমা-মপাদি ঐখোয়গী লৈপাক্কী অঙম-অথৌশিংনি। মরমদি ঐখোয়গী মপী-মপাদি মখোয়নি। মৈতৈ লৈপাক্তা লৈরিবা মীপুম খূদিংমকপু ঙমতাইবা মথৌ তাই। লমদমসিগী লোল মৈতৈ লোল খঙনা লৈঙাক মপুরেল, ফমদোল ফম্নাইবা, থৌবুরেল পুম্নমক্না মৈতৈগী লাইনিং ফূরুপ, মৈতৈ লৈপাক কন্নবা লিক্লম অমা লৈথোনবগী মতম ওইরে হায়খি।

# মোবাইল লাইব্রেরী থম্নবা থৌরাং তৌরি : আর কে উর্মিলা

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৯ (ঐচ এন এস):** হৌজিক্কী মতমদা অঙাংশিং লাইরিক পাবগী হৈনবী লৈশিল্লক্ত্রে। মরম অদুনা মণিপুর ষ্টেট সেন্ট্রেল লাইব্রেরীনা মোবাইল লাইব্রেরী অমা থম্নবা থৌরাং তৌরি হায়না মণিপুর ষ্টেট সেন্ট্রেল লাইব্রেরী ইম্ফালগী চীফ লাইব্রেরিয়ন আর কে উর্মিলানা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি শীংজমৈ চীংঙা মথক্তা লৈবা পি এস দি সেল্ফকী ওফিসতা ইরমদম মীয়ামগী অপূনবা খোর্জেই লূপ (ইমাখোল)না শীন্দুনা লূপ অসিগী থৌবুরেল ওইরিবা ৱাহেংবম রোমেন মীতৈনা ইবা *ঈরাক্লরিবা খুঙ্গং* শৈরেং লাইরিক অমসুং *নীংথাগী লমন* অনীশুবা ৱারীমচা ফোঙবগী থৌরম অমদা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা আর কে উর্মিলানা মখা তানা হায়খি, হৌজিক্কী মমা-মপাশিংনা লাইব্রেরীগী ফীভম করম তৌরি অমদি অঙাংশিং লাইরিক পাবা লাকহনগে হায়না য়াম্না তোয়না হায়বীরকই। মরম অদুনা অখন্নবা অঙাংশিংগী ওইবা মোবাইল লাইব্রেরী অসি থম্নবা হোৎনজবনি। অঙাং শেম্বা হায়বসি পীক্লিঙৈ মতমদগী হৌনা শেমগদবনি। লাইব্রেরী অসিগী অৱাৎ-অপাশিং মেনখৎনবসু য়াম্না কন্না হোৎনরি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা ইমাখোলগী প্রসিদেন্ট ডা. চন্দ্রকলা, পি এস দি সেল্ফ শীংজমৈগী মেনেজিং দিরেক্টর অঙোম কর্ণনা মথংশিংনা থৌরম মপু অমদি অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

## ঙসিগী রাশি ফল

ইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহঅ
সিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমসঅ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২০।০৮।২০২৩ ইং, নোংমাইজিং;
থৱানগী ৪নি পানবা।

মেষ: হকচাং নুংঙাইবা, অকল অথৌগী থবক্তা মায় পাকপা, নীংবা থুংবনা হেনবা নুমিৎনি। য়েক্লবনা হুন্দুনা ঙাংবদি ঙসিসু লৈরি।
**লৈশা পাখংগী**- লাইবক ফগনি।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অশংবা/কিসমিস

বৃষ: অফা-অপুন কোকচগনি, য়েৎনবা অমদি থিবা হুম্বদা মায় পাক্কনি। মীৱা থাজবা, মীবু পেলহন্নবা হোৎনবদি অপঙ তাগনি।
**লৈশা পাখংগী**- চিন য়াংগনু।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ নাপু/কিসমিস

মিথুন: কান্নবা ফংবা, পাউ নুংঙাইবা তাজবা, ইচঙ থৌনা নীংহন্নদনা থৌপাঙবা কান্নজবা নুমিৎনি। নচা-ননাই অমদি মীয়াম্নসু চাল্লি।
**লৈশা পাখংগী**- নুংশিবনা লুনা তৌই।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অঙৌবা

কর্কট: ঐ মঙাইরে খনবদি নরল ময়েং তাগনি। নোল্লুক্না থৌনাদি হন্দনা অনীংবা অফবা থবক পাঙবা মায় পাক্কনি। লনসু চঙগনি।
**লৈশা পাখংগী**- লাইবক ফগনি।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অঙাঙবা

সিংহ: ৱাথোকপা য়াবা লৈ-নরল চেকশিঞ্জৌ। খাঙবা কনবা অমদি ৱা য়াম্না ঙাংদবনা য়াইফগনি। অনৌবা লৌশিং তানশিনবা ঙমগনি।
**লৈশা পাখংগী**- লান্দ্রদি মায় পাক্কনি।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অশংবা/কিসমিস

কন্যা: নচাক নরল চাওখৎপা, নথক থোংবনা চানবীবা, মীরক চঙলগা নুংঙাইবা লৈ। ফগদ্রা খন্না তৌরুবদি হু ওনগনি-থাজবা হৈগনু।
**লৈশা পাখংগী**- নীংজবা থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ হিগোক

তুলা: লাইবক ফবা ৱাৎলসু হোৎনজবগী মহয়দি শোয়দনা ফংগনি। অরুবা থবক্তা মীগী মতেং লৌবা য়াগনি। খুৎ চাওরদি মাঙগনি।
**লৈশা পাখংগী**- মরী হান্নগুম ফৈ।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অঙৌবা

বৃশ্চিক: চাওনা মায় পাক্কদবা নুমিৎনি। ঙাংবা শকপা অমদি পোরম শীনবা হৈগনি, য়েক্লববু লায়না লাকশিনগনি, অঙম্বনসু চাল্লি।
**লৈশা পাখংগী**- হৱাওজগনি।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অঙাঙবা

ধনু: নীংবদুমক পাঙবা ঙমজগনি, লৌশিংসু চাওই, মরুপ মপাংশিং লোয়নবা হেন্না কান্নগনি। অরানবনা মাঙওইনরদি অকিবা নংগনি।
**লৈশা পাখংগী**- নুংশিবনা চাল্লি।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ হিগোক

মকর: লৌশিং ফুদোকপা ৱাগনি-অরুবা খন্ন-নৈনবদা ৱা ঙাংদবা ফৈ। শেরান্নবা ৱাখলনা মরুপ মপাং কায়নবা য়াই, মীৱা লৌগনু।
**লৈশা পাখংগী**- কায়নদনবা হোৎনৌ।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ/চিনি অঙাঙবা

কুম্ভ: য়াম্না চেকশিন্না থৌ পাঙউ। শোক পনবা য়াবা, পাইরক্কী লৌশিং শোনবা নুমিৎনি। মতম হৌহনখিবনা মাঙবা য়াবদৈ কনজগনি।
**লৈশা পাখংগী**- আশা চাওবা কান্নরোই।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ/চিনি অঙাঙবা

মীন: খৎনবা/য়েৎনবা মরম নত্তনা খ্বাইদগী হেন্না নীংবা থুংগদবা নুমিৎনি। মীনা ফনা শোন্নগনি, অনৌবা থৌরমদা কান্নবা হেনগনি।
**লৈশা পাখংগী**- নীংবা থুংগনি।
**থৌনি পোৎলম:** লৈ অঙাঙবা


থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।



Title : **Yak**
By : Rolenpu
Class : I
School : Maheilen Education Centre




Title : **Flower**
By : Palungbam Anjela Bose
Class : V Sec : Daffodil Roll No. : 57
School : SL Arena of Learning




Title : **Meitei Chanu**
By : Haripriyari Lairenjam
Class : II Sec : D Roll No. 43
School : Pitambara English School




Title : **Elephant Rider**
By : Takhelmayum Jenifer Devi
Class : V Sec : Daffodil Roll No. : 53
School : SL Arena of Learning



Title : **Deer in the Field**
By : Rajkumari Yaisana
Class : VI Roll No. : 21
School : Kendriya Vidyalaya No. 1, Lamphel



Title : **Kuki War**
By : A Lanchenbi
Class : VI Sec : A Roll No. : 50
School : Loyola School Bishnupur



Title : **A House and a Tree**
By : Sasmita Koijam
Class : I Sec : B Roll No. : 40
School : The Blossom School Changangei



Title : **Kite Flying**
By : Teane Th.
Class : III Roll No. : 36
School : Kendriya Vidyalaya No. 2, Imphal



Title : **A Bird**
By : K. MIchael
Class : III Sec : G
School : Maheilen Education Centre

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই, অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্পগা হুইয়েন লানপাওগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি। নৎত্রগা হুইয়েন লানপাওগী ওফিসতা থিনবীরকপা য়াগনি।